# ইন্দিয়ন হোকি টিমগী ভাইস কেপ্টেন ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শান্নরিবা মণিপুরগী কাঙুজম চিংলেনসনা



কাঙুজম চিংলেনসনা



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**হোকিদা মীৎয়েং অমা**

(ঙরাংগী মখা)

ইন্দিয়াগী হোকিসি, ওলিম্পিক মেদল ফংননবা হৌজিক হোৎনবা য়াবা কয়াসু কন্না হোৎনবিরি। মদুগী রিজল্টসু ফংবা হৌরক্লি। মালেমগী ওইনা, হোকিদা মাঙজিল থারিবা লৈবাকশিংগা থাক অমদা লৈমিন্নবা ঙম্লে হায়জনিংই। চহী খরগী মমাঙদা ইন্দিয়াবু থিনা দোমিনেট তৌবা ঙম্নবা ওষ্ট্রেলিয়াসু হৌজিক্তি হান্নগী থাক্তগী হায়থখ্রে। অদুনা, মেদলগীদমক ঐখোয়সু চপ চানা লম্বা তৌনবা ঙম্লগনি হায়বা হৌজিক্তী ইশাদা থাজবা লৈরক্লে।

অদুগা, এসিয়ন গেমস, কম্মনৱেলথ, ৱর্ল্ড কপনচিংবগা ‘ওলিম্পিক গেমস’ কা খেন্নবসিদি খরা অদু খেন্নরে হায়বা য়াই। মালেমগী হেক ফাওরে হায়দুনা লৈবা প্লেয়র পুম্নমক এথলেটিক্সকী, বাস্কেটবোলগী, স্বিমিংগী, টেনিসকী, আর্চরিগী, বোক্সিংগী, ৱেথ লিফটিংগী, জিমনাষ্টিক্সকী, জুদোগী, রেসলিংগী, ফুটবোলগী, সাইক্লিংগী.... লোইনমকসি মাগী মাগী লৈবাক্কী মীওচৎ উরোঙ খিনবা তান্নবা লাকপনিনা, ঐখোয়সু মখোয় ময়াম উবদা য়াম্না নুংঙাই। কন্টিনেন্ট মঙাগী মমিং লৈরবা প্লেয়র ময়াম অমা, ওলিম্পিক্স ইভেন্টশিংদা শরুক য়াবা লাকপনি। এথলেট মশিংসু অদুক্কী মতিক য়াম্মী। লাক্লিবা শান্নরোয় ঐখোয় ময়ামসি হেক উনবদা নোকমি-নোকমি লোয়না কৌনৈ। শক-চুমান্নদবা ঐখোয় ময়াম পুনবদুগী নুংঙাইবা মহাওসি অতৈ গেমস শান্নবা চৎপদগী য়াম্না তোঙাল্লি। অতৈ অতৈ গেমসকী শিন-লাংবগা, ওলিম্পিক গেমসকী এরেঞ্জমেন্টগদি য়াম্না খেন্নৈ। লৈফমগী, চাফমগী অদুগুম্বদসু অতৈগা চাংদম্নবা য়ারোই। ওলিম্পিক গেমসকীদি তোপ তোপ্পা অমা লৈ। শান্নবা হৌদ্রিঙৈদগী হৌনা, ঐখোয়গী পুক্নিংদা ফাওবসি ঐখোয়সু মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা গেমসনি হায়নরিবা ওলিম্পিক গেমস হায়বদু শান্নগদৌরে হায়না খনবতদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওজখি। মেদল অমত্তং পুদুনা লাকচরম্লগদি হেন্নসু নুংঙাইজরমগদবনি। মদুমদি ঙমখিদ্রে।

অদুমকপু, ওলিম্পিক গেমসতা শান্নরকখিবা মেচ খরগী অৱা-নুংঙাইগী মতাংদা হায়জনিংবদি, লিগ রাউন্দগী ইন্দিয়াগা অর্জেন্টিনাগা শান্নজখিবা মেচতুম্দি ঐগী ওইনা য়াম্না নুংঙাইজখি। মরম করিগীনো হায়বদা, মদুগী মেচতুদা ইন্দিয়ানা অর্জেন্টিনাবু ২-১দা থোইবা ঙমখি। হায়রিবা গোল অনীদু মণিপুরী মচা ঐগা কোথাজিৎকনা চনখিবনি। খ্বাইদগী নুংঙাইখিদবা, থম্মোয় শোকখিবা মেচনা ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়মগা শান্নখিবা মেচ অদুনি। মরু ওইবা মেচনি খঞ্জরগা ঐখোয় থৱায় য়াওনা ফজনদি শান্নজখি। টিম ৱার্ক হায়বসিদি ফোর্ম অমা হেক শোইখিবদা গোল চনবসি হেক্তা ৱানা থোকই। ক্বার্টর ফাইনেলগী মেচতু য়াম্না কিন কোন্টেষ্ট তৌনদুনা শান্নখিবনি। অদুবু বেলজিয়ম্না ৩-২দা থোইখিবদগী ঐখোয় ক্বার্টর ফাইনেলদুদা পোরগা লৈহৌখি। মদুমদি তশেংনা নিংবা কাইখি। বেলজিয়মসি য়াম্না হেন্না লিঙবা টিমসু নত্তে। মদুদা পোরগা লৈহৌবদুমদি হৌজিকফাওবা নিংশিংলুবদা নুংঙাইতে।

অমরোমদা, মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ‘টোকিয়ো ওলিম্পিক গেমস ২০২০’গীসু ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং মেচশিং চৎলিবা চহীসিগী জুন থাদগী হৌরগনি। অহানবা ফর্স্ত রাউন্দগী মেচশিং, ভুবনেশ্বরদা তৌননবা শেম শাবা লোইখ্রে। মদুগী মতুং নভেম্বর থাদদি ইন্দিয়াগী হোকি টিমদা য়াওগদবা প্লেয়রশিংসু মথং মথং মশক খঙবা ঙম্লগনি।

ওলিম্পিক গেমস ক্বালিফায়িংগী হৌজিকসু ঐখোয় অকনবা ট্রেনিং চথরি। হৌজিক হৌজিক বেঙ্গলোরদা চথরিবা ইন্দিয়া কেম্পতা ট্রেনিং পীবিরিবা মীওইশিংদি, দেবিদ জোন হোয় (পর্ফোমেন্স দিরেক্টর), গ্রাহম রেইদ (চীফ কোচ), খৃষ্ট কেরিলো (এসিষ্টেন্ট কোচ)নি। অহানবগী ওইনদি ঐখোয় ওলিম্পিক গেমস ক্বালিফায়িং মেচশিংগীদমক মায় পাক্নবা কন্না হোৎনজরি। লোয়ননা টোকিয়ো ওলিম্পিক গেমস ২০২০ অসিদা ঐহাক্কী ওইনসু অকনবা মীৎয়েং থমজরি। ঐগী ৱাখলদসু ওলিম্পিক মেদল অমা পুরকপা ঙম্ননবা হোৎঞ্জগে হায়বসিমদি চপ য়ুংনা খঞ্জরি।

(লোইরবা)



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৪

১) ঐহাক ওলিম্পিক্কী নূং লংবদা শরুক য়াবা এথেন্সতা কুমজা ২০০৪দা চৎলুবদা নুপীগী নূং লংবগী থৌরম অদু ওলিম্পিক পাঙথোক্লিবা ষ্টেদিয়ম অদুদা পাঙথোকখিদে। পুৱারীগা মরী লৈনবা মফম অমদা পুরগা অথোই অহেন তান্নহনবা অদু পাঙথোকখি। মফম অদু কদায়দনো?

২) মহাক ওলিম্পিক্কী লমজেল চেম্পিয়ননি। মহাক্না শরুক য়াবা লমজেল অদু অহানবা রাউন্দদা সেকেন্দ ৫১.১৬তা চেনখি, অনীশুবা রাউন্দদা সেকেন্দ ৫১.৮৪দা চেনখিদুনা লমথুংফম য়ৌখি। মহাক কনানো?

৩) মহাক ফ্রান্সকী সেবর টিমগী ওইনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারুরে, মদুদা মরিশুবা তাখি অদুবু মহাক্তি নোবেল হুস্ফু হেন্না ইদুনা মমিং য়াম্না চৎখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী ইরোইবা চেম্পিয়ন স্বিদেনমচা অমা স্পেন্দা অথোই অহেন তান্নবা অমদা শরুক য়াবা চৎলুবদা লৈবাক অদুগী চৎনবী মিলিটরিগী মথৌ তৌনবা কৌখৎপদা চৎলুদবদগী জেলদা থমখিবা অদু কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হিরো ইন্টরকন্টিনেন্টেলদা ইন্দিয়ানা সিরিয়া, টাজিকিষ্টান অমসুং নোর্থ কোরিয়াগা শান্নগদৌরি



ন্যু দিল্লি, মে ১৩(এজেন্সী):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না চহী অসিগী জুলাই ৭তগী ১৭ ফাওবা শান্নগদৌরিবা হিরো ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা সিরিয়া, নোর্থ কোরিয়া অমসুং টাজিকিষ্টানগা লোয়ন্না শান্নরগনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি মমাংগী চহীদা শান্নবা হৌখিবা হিরো ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা ন্যু জিলেন্দ, কেনিয়া অমসুং চাইনিজ টাইপৈনা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মদুদা ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন ওইখিবতা নত্তা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন সুনিল ষেত্রিনা হিরো ওব দি টুর্নামেন্টকী মনাসু ফংখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না হিরো কন্টিনেন্টেল কপ অসি ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমগীদি য়াম্না মরু ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইগদৌরি। টুর্নামেন্ট অদুনা সেপ্তেম্বর থাদা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়রগীদমক শেমশাবা টুর্নামেন্ট অমা ওইগদৌরি।

ইন্দিয়ানা জুন থাদা থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টসু শরুক য়াগদৌরি। টুর্নামেন্ট অদুগী অহৌবা মেচতা ইন্দিয়ানা কুরাকোগা লম্বা তৌনগনি। অদুগা মথংগী মেচতা ভিয়েটনাম নত্রদা য়ূম্বু থাইলেন্দগী শান্নগনি হায়রি।

# ৱর্ল্ড নম্বর নোবাক জোকোবিসনা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসপু থোইদুনা মাদ্রিদ ওপন মাষ্টর্স টাইটল লৌখ্রে



মাদ্রিদ, মে ১৩(এজেন্সী):

স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা লৈবা পার্ক মঞ্জানারেসতা পাঙথোকপা য়ুরো ৬,৫৩৬,১৬০গী শেলগী মনা লৈবা মাদ্রিদ ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসপু মায়থীবা পীদুনা ৩লক শুবা মাদ্রিদ ওপন টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গল ফাইনেল মেচ অদু মায় পাকখিবগা লোয়ননা নোবাক জোকোবিসনা মাষ্টর্স টাইটল ৩৩রক লৌদুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থল্লিবা স্পেনগী রাফেল নদালগী টাইটল মশিং অদুগা চপ মান্না লৈখ্রে।

রোমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইটালিয়ন ওপন মাষ্টর্স টেনিস টুর্নামেন্ট অদুদা জেকোবিস অমসুং নদালনা ৩৪রক শুবা মাষ্টর্স টাইটল ফংবা তান্নগদৌরি।

ঙরাংগী মেচ অদু সিসিপাসনা মহাক্কী মায়কৈদগী পাঙ্গল চপ চানা ফুদোকপা ঙমখিদে। মরমদি থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা মহাক্না ৱর্ল্ড নম্বর ২ স্পেনগী রাফেল নদালবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা য়াম্না অকনবা প্রেসর মায়োক্নদুনা নুমিদাং অথেংবা ফাওবা শান্নখি। অদুবু চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা ষ্টিফানোসনা নদালবু সেট ২-১দা মায়থীবা পীরম্বনি।

চহী অসিগী ২শুবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ফ্রেন্স ওপন (রোলান গেরোস) থা অসিগী ২৬তগী হৌগদৌরিবনি। মসিগীদমক্তা শান্নরোয়শিংনা তোঙান-তোঙানবা ক্লে টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা শেম শাবা হৌরকপনি।

গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৫রক লৌবা ঙম্লবা জোকোবিসনা ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদু লোইরগা ফোঙদোকখিবদা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল লৌবখিবা অদু মহাক্না মশানা মশাবু থাজজবগী চাং হেনগৎখি। মহাক চহী অসিগী জনুৱারি থাদা ওষ্ট্রিয়া ওপন গ্রান্দ স্লাম টাইটল ফংখিবা অদুগী মতুং ঙরাংনা অহানবা টাইটল ওইখি।

মাষ্টর্স টেনিস টুর্নামেন্ট অসি গ্রান্দ স্লামগী হেকমথংদা লৈরিবা টুর্নামেন্টনি। ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুদা গ্রিসকী সিসিপাস অমসুং সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসকা লম্বা তৌনরকপা অদুদা অহানবা সেটতা জোকোবিসনা সিসিপাসকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখি। মদুগী খুদোংচাবা নীংথিনা লৌদুনা ৬-৩দা অহানবা সেট অদু থোইখি।

জোকোবিস অমসুং সিসিপাসনা ইকোন কোন্না লম্বা তৌনখিবা অদু মমাঙ চহীগী কানাদা ওপন টেনিস টুর্নামন্টেতনি। হায়রিবা মেচ অদুদা জেকোবিসপু সিসিপাসনা থোইখি।

সিসিপাসনা জোকোবিসপু থাগৎলদুনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুগী মেচ খুদিংমক ফজনা শান্নখি। মহাকসু টুর্নামেন্ট অদুদা ফজবা তাঙ্কক কয়া য়াওখ্রবসু ফাইনেল মেচ অদুদা মহাক্কী মায়কৈদ খ্বাইদগী ফজবা টেনিস মশান্না অদু উখোকপা ঙমখিদবনি। অনীশুবা সেট অদুদসু জেকোবিসনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ঙরাং নেদর্লেন্দসকী জোন জুলিয়ন রোজর অমসুং রোমিনিয়াগী হোরিয়া টেকাওনা অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টচমেন অমদি ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু ৬-২, ৬-৩দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

# সেন্ত্রেল এস এস বিনা অলাখপুরা থোইদুনা সেমি ফাইনেলগী লম্বেল লৈখ্রে পঞ্জিম অমসুং রাইজিং ষ্টুদেন্টস ১-১দা দ্রো চৎখ্রে



লুধিয়ানা, মে ১৩(এজেন্সী):

পঞ্জাবকী সিটি লুধিয়ানাদা চথরিবা হিরো ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি গ্রুপ ১গী মেচ অমদা সেন্ত্রেল এস এস বি ৱুমেন্স ক্লবনা এফ সি অলাখপুরা মায়থীবা পীদুনা লিগ অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল লৈখ্রে। গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেচ অমদা পঞ্জিম ফুটাবোল্লর্স অমসুং রাইজিং ষ্টুদেন্টস ক্লব ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

কোলকটাগী সেন্ত্রেল এস এস বি ৱুমেন্স টিম্না ঙসি হরিয়ানাগী এফ সি অলাখপুরাগা শান্নখিবা মেচ অদুগী মাংজৌননা মেচ অদু মখোয়না মায়পাকপা তারবদি সেমি ফাইনেলগী লম্বেল অমা উরকপা মরম্না মায়পাক্তবা য়াদে হায়বগী থৌনাগা লোয়ননা শান্নরকখি।

মেচকী হৌরকপা ১১ শুবা মিনটতা ষ্ট্রাইকর দুলর মরান্দিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা এফ সি অলাখপুরাবু মাংজিল থাদুনা লৈখি। অলাখপুরাগী শান্নরোয়শিংসু মায়পাক্ন বদি মখোয়সু সেমি ফাইনেলগী তাঞ্জা অমা লাক্কদৌরিবনিনা মায়পাক্ননবা শান্নরকখি। মখোয়গী মথক্তগা চনশিনখিবা পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নখিবা অদু সেন্ত্রেল এস এস বিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা মখোয়না চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তনবা হোৎনখি।

মরু ওইনা সেন্ত্রেল এস এস বিগী মায়কৈদগী কেপ্তেন সুসমিতা মরান্দি অমসুং টিম অদুগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা শান্নবদগী এফ সি অলাখপুরাগী এটেক্টশিং অদুবু পাঞ্জল ওইহনখিদবনি।

মেচকী অনীশুবা হাফ অদুসু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু সেন্ত্রেল এস এস বি ৱুমেন্স টিম্না ১-০দা মায়পাক্তুনা পোইন্ট টেবলদা পূন্না পোইন্ট ৬ ফংলগা দেল্লিগী হান্স ৱুমেন্স এফ সিগা পোইন্ট ৬/৬ ফংমিন্নদুনা মখাতাবা মেচশিংদা ফজরবদি লিগ অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরিবনি।

মেচ লোয়শিল্লক্লবা ফাওবদা এফ সি অলাখপুরাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু এস এস বিনা ১-০দা থোইদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা সেমিফাইনেগী লম্বেল নকশিনখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শানখিবা তোপ্পা মেচ অমদা গোৱাগী পঞ্জিম ফুটবোল্লর্সনা ওরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্টস ক্লবকা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু রাইজিং ষ্টুদেন্টস ক্লবকী শান্নরোয় করিস্মা স্রিভোইকরনা ১৯শুবা মিনটতা চনখি।

অদুগা মেচ অদুগী ৪৩শুবা মিনটতা পঞ্জিম ফুটবোল্লসকী সত্যবতি খাদিয়ানা মহাক্কী টিম্না মতম পুম্ননকতা পানম্নখিবৈ ইক্কেলাই অদু চন্দুনা টিম অনী অমুক হন্না পাঞ্জল ১-১দা মান্নদুনা লৈখি।

মেচকী লোয়শিল্লকপা মতম য়ৌরফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

রাইজিং ফুটবোল ক্লব পুন্না মেচ ৩ শান্নবদা ৩মক মায়থীবা নংখিবা মরম্না মখোয় টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌখি। অমরোমদা এফ সি অলাখপুরাসু মেচ ৪ শান্নবদা শুপ্নগী পোইন্ট ৩খক ফংদুনা মখোয়সু লৈহৌখি।

হয়েং গ্রুপ টুদা মণিপুরগী এম পি এস সিগা মহারাষ্ট্রগীএফ সি কোলাপুরগা শান্নগদৌরিবা অদুদা মায়পাক্লবদি এম পি এস সি সেমিফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

# মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লিভরপুলদগী পোইন্ট অমখক হেল্লগা ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী ২০১৮-১৯গী টাইটল লৌখ্রে



লন্দন, মে ১৩(এজেন্সী):

য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী টাইটল অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লিভরপুলদগী পোইন্ট অমখক হেল্লগা টাইটল লৌখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা লিগ অসিগী অরোইবা অমদি ৩৮শুবা রাউন্দগী মেচশিং অদুদা মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং ব্রাইটোন এন্দ হোব অলবিয়োন শান্নখি অমরোমদা লিভরপুলনা ৱোলবরহামটোন ৱান্দরর্সকা লম্বা তৌনখি।

৩৮শুবা রাউন্দগী মাংওইননা মেঞ্চেষ্টর সিটি মেচ ৩৭শান্নখিবদা ৩১ মায়পাক্লগা ২ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৪ মায়থীখিদুনা পোইন্ট ৯৫ ফংখি। অমরোমদা লিভরপুলগী টিম মেচ ৩৭ শান্নবদা শুপ্নগী মেচ অমখক মায়থীরা মেচ ২৯ মায়পাকখিবা অমসুং মেচ ৭ দ্রো চৎখিবা মরম্না পোইন্ট ৯৪ ফংদুনা লৈখিবনি।

টিম অনীম্মক মায়পাক্ন রবদি মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অদুম্মক টাইটল লৌরগনি অদুবু লিভরপুলনা পামখিবদি মখোয়না মখোয়গী মেচ মায়পাক্লবা অদুগা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মখোয়গী মেচ অদু মায়থীবা নত্রগা দ্রো চৎপা অদুনি। মদুতদা মখোয়না লিগ টাইটল অদু লৌবা ঙমগদৌরিবনি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অদুদা হৌরকপদগী অদুম্মক ফজনা শান্নবা ঙমখি। ব্রাইটোন এন্দ হোব অলবিয়োনগী মায়কৈদগী গ্লেন মুরেনা ২৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদুগী মতুংদগিদি সিটিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নবা ঙমদুনা মেচ অদু খুদুম চনখি।

২৮শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজরগ অদু সর্জিয়ো এগ্বেরোনা চনখি। শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী এমরিক লাপোর্টিনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা হাফ অদু ২-১দা হেল্লগা লোয়শিনখি। অনীশুবা হাফতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী রিয়াদ মহরেজ অমসুং ইলকে গুন্দোগাননা ৭২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৪-১দা থোইরগা পূন্না পোইন্ট ৯৮ ফংলগা লিগ অদুগী টাইটল লৌখি।

লিভরপুল অমসুং ৱোলবরহামতন ৱান্দরর্সকা লম্বা তৌরকপা অদুদা পাঞ্জল অনীম্মক সাদিয়ো মানেনা চনবা ঙমখি। ৱান্দরর্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। সাদিয়োনা ১৭শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা মেচকী ৮১শুবা মিনটতনি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিম্না ওষ্ট্রেলিয়া (এ)গা টুরগী অহুমশুবা মেচতা ১-১দা দ্রো চৎখ্রে



পর্থ, মে ১৩(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী পেনালটি কোর্নর স্পেসিয়েলিষ্ট (দ্রেগফ্লিকর) হরমন প্রিত সিংহনা ৫৬ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী হোকি টিম ওষ্ট্রেলিয়া (এ)গা শান্নবদা পাঞ্জল অমা শোত্থরগা লৈরম্বা অদু হন্দোক্লগা ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি পর্থতা শান্নখিবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা মেচ ৫গী টুর অমা ওইনা ৩লক শুবা মেচ শান্নবনি। ইন্দিয়ানা টুরগী অহানবা মেচতা ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া থন্দরষ্টিক্সপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং ওষ্ট্রেলিয়া (এ)বু পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাক্তুনা টুর অসি য়াম্না ফজবা মওংদা লাক্লি।

ঙসি ওষ্ট্রেলিয়া (এ)গী মায়কৈদগী মমাঙদা মখোয়না শোইখিবা মফমশিং অদু মেনখৎতুনা শান্নবা ঙমখি। মেচ অদুগী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী গোল কিপ্পর ক্রিসন পাথক অমদি দিফেন্দর গুরিন্দর সিংহনা ওষ্ট্রেলিয়া (এ)না চথরকখিবা থংনা থংনবা পেনালতি কোর্নর অনী ঙাকথোকপা ঙমখি। মরম অদুনা এটেক চত্থবগী চাং ওষ্ট্রেলিয়া (এ)না হেনখি।

মখোয়না ইন্দিয়াবু প্রেসর হেন্না পীশিন্দুনা শান্নবা ঙমখি। অহানবা ক্বার্টর অদু নাকল অনীমক্তগী পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ২১ শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী কিরন অরুনঅসলমনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াবু ১-০দা মাংজিল থাখি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ গ্রাহম রিদনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা অহানবা ক্বার্টর অদু য়াম্না শোন্না অমসুং তপ্না হৌখি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়া (এ)গা শান্নবদা অহানবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখিবা অদুগী মশান্নগা ঙসিগী মশান্নগদি মনিং মনাংগুম্বনি হায়খি।

অদুবু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অনীশুবা ক্বার্টরদগী তপ্না তপ্না ফুঙাৎতুনা শান্নবা ঙম্লকখি। ক্বার্টরশিং অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা য়াবা মতাং কয়া ফংখি। অদুবু তাঞ্জাশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংসু পাঙ্গল কনখৎলকখি। ৫৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমা পাঞ্জল ওন্থোকপদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নেসনল টিমগা শান্নগদৌরি।